রিঔ ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট সিন্ধু প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, বোক্সর পুজা রানীসু ক্বার্টর চঙখ্রে, আর্চরিগী দিপিকানা য়ু এসকী মুসিনো থোইখ্রে, ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অহুম্লকশুবা ওইনা মায়থীখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল অমা ফংলগা একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং মখা তাবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফীভম শোক্তুনা লৈরিবঙৈ মনুং অসিদা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা বেদমিন্টননগী নুপীগী সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবী পি ভি সিন্ধু প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। নুপীগী বোক্সর পুজা রানীনা কিলোগ্রাম ৭৫গী কাঙলূপ্তা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা আর্চরিগী নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী দিপিকা কুমারীসু মহাক্কী ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

বেদমিন্টন : ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক মেদলগী অচৌবা থাজবা থম্লিবা বেদমিন্টননগী নুপীগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী গ্রুপ মেটচতা হোং কোংগী এন ৱাই সিয়েংবু শুপ্পগী মিনট ৩৫গী লম্বাদা ইৱা ৱাদনা ২১-৯, ২১-১৬তা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। সিন্ধুনা মমাংদা সিয়েংগা শান্নবা মেটচ মঙাসু থোইদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসিসু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

বোক্সিং : ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক শরুক য়ারিবা নুপাগী বোক্সর অহুম অহানবা রাউন্দদা মায়থীখ্রবা মতুং কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী অহানবা বাউট মায় পাক্তুনা লৈখ্রবা মতুং অমদি ঙরাং লোভলিনা বোর্গোহেননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুগী মখা তারকপদা ঙসি নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাঙলূপ্তা লৈবাক অসিগী বোক্সর পুজা রানীনা অলজেরিয়াগী ইচ্রাক সেবপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

করিয়রগী অহানবা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ারকখিবী পুজা রানীনা মহাক্কী মায়কৈদগী অলজেরিয়াগী বোক্সর অদুবু য়াম্না হেন্দুনা বাউট অদুগী জজ মঙাগী মায়কৈদগী এসিয়াগী ওইনা টাইটল অনীরক লৌবা ঙম্লবী পুজা রানীদা পোইন্ট হেন্না পীরকপদগী ৫-০দা বাউট অদু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

আর্চরি : নুপীগী রিকর্বকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ইন্দিয়াগী আর্চর দিপিকা কুমারীনা মহাক্কী ইন্দিভিজ্যুএলগী অহানবা রাউন্দদা ভুটানগী আর্চর কর্মাবু য়াম্না হেন্দুনা ৬-০দা থোইখ্রবা মতুং ঙসি পাঙথোকখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী কম্পিটিসনদা য়ু এস এগী আর্চর জে মুসিনো ফর্নান্দেজকা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং সেট ৬-৪দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা সেটতা দিপিকা কুমারী ২৫-২৬তা শোথুখি। অদুবু থংনবা সেট অনীদা মহাক্লা যু এস এগী আর্চর ফর্নান্দেজ পু ২৮-২৫, ২৭-২৫দা হেন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা ৪শুবা সেটতা কুমারীবু ফর্নান্দেজনা অমুক হেল্লগা ২৫-২৪দা থোইখি। অদুগা ৫শুবা সেটতনা দিপিকানা ২৬-২৫দা হেন্দুনা রাউন্দ ওফ ৩২গী লম্বা অদু মায় পাক্লগা নুপীগী ইন্দিভিজ্যুএল আর্চরিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী নুপাগী আর্চর প্রভিন য়াদব অমসুং তরুনদিপ রাই ইন্দিভিজ্যুএলগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। য়াদব ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ব্রেদি এলিসনগী মখূৎতা মায়থীহৌবনি। অদুগা তরুনদিপ রাইনা ইজরেলগী আর্চর ইটে সেনিগী মখূৎতা শুট ওফ তৌনবদা মায়থীদুনা ওলিম্পিক অসিদা মখোয় অনীগী লম্বেল লোইশিনখি।

হোক্কী : ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহুমশুবা মেটচতা গ্রেট বৃটেনগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু লোইশিনখ্রে। ঙসিগী মেটচ অদুদা কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট গ্রেট বৃটেনগা লম্বা তৌনরকখিবা অদু য়াম্লা লেং মান্নরম্বদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খূদোংচাবা কয়া ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখিবা অদুনা মায়থীখি। টোকিওগী ওয়ি হোক্কী ষ্টেদিয়মদা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী শান্নবগী শুপ্পগী মিনট ২ য়ৌরকপদা টিম অদুগী শান্নরোয় হানা মার্টিননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী দিফেন্স লাইন অদুগী অহোবদা খূদোংচাবা লৌদুনা গ্রেট বৃটেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা হানা মার্টিননা ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা মাঙজিল থাখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খূদোংচাবা অমা ফংখিবা অদু শর্মিলা দেবীনা ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ অদু গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী ২-১দা হেল্লগা লৈখি।

গ্রুপ এদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ঙসি গ্রেট বৃটেনগা শান্নখিবা মেটচ অদু মায় পাকপা নৎত্রগা দ্রো চৎপগী মথৌ তাখিবনি। মরমদি অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়া ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নেদরলেন্দসকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং জর্মনিগা শান্নখিবা মেটচ অদুসু পাঞ্জল ০-২দা মায়থীখি। ইন্দিয়াগী টিম অসি ৱর্ল্ড নম্বর ১১দা লৈরিবনি। অদুগা গ্রেট বৃটেননা ৱর্ল্ড নম্বর ৫নি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অনীশুবা হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টরগী ৪১ শুবা মিনটতা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী লিলি ওস্লেনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ইন্দিয়াবু ৩-১দা হেনখি। লোয়ননা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তারকপা এটেকতা গ্রেস বাল্সদোননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ইন্দিয়াবু ৪-১দা মায়থীবা পীরমখি।

সেলিং : নুপাগী স্কিফ ৪৯ ঈ আর সেলিং ইভেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী প্যের কে গনপথি অমসুং বারুন থাকর রেস অহুম লোইশিল্লকপদা টিম ১৯গী লম্বা অদুদা মথংশিংনা ১৮শুবা, ১৭শুবা অমদি ১৯শুবা পোজিসনদা লৈদুনা শোথরি।

Tokyo Olympic Games Medal Tally

Rk	Country	G	S	B	T
1	Japan	13	4	5	22
2	China	12	6	9	27
3	United States	11	11	9	31
4	ROC	7	10	6	23
5	Australia	6	1	9	16
6	Great Britain	5	6	5	16
7	South Korea	4	2	5	11
8	Germany	3	2	5	10
9	France	3	2	3	8
10	Netherlands	2	6	3	11
11	Canada	2	3	4	9
12	Hungary	2	1	2	5
13	Slovenia	2	1	1	4
14	Kosovo	2	0	0	2
15	Italy	1	6	8	15
16	Switzerland	1	3	2	6
17	Chinese Taipei	1	2	3	6
18	Brazil	1	2	2	5
19	Georgia	1	2	0	3
19	Romania	1	2	0	3
21	Serbia	1	1	2	4
22	Austria	1	1	1	3
23	Hong Kong	1	1	0	2
23	Tunisia	1	1	0	2
25	Croatia	1	0	1	2
25	Estonia	1	0	1	2
25	Uzbekistan	1	0	1	2
28	Bermuda	1	0	0	1
28	Ecuador	1	0	0	1
28	Fiji	1	0	0	1
28	Iran	1	0	0	1
28	Latvia	1	0	0	1
28	Norway	1	0	0	1
28	Philippines	1	0	0	1
28	Thailand	1	0	0	1
36	Spain	0	2	1	3
36	New Zealand	0	2	1	3
38	South Africa	0	2	0	2
39	Indonesia	0	1	2	3
39	Mongolia	0	1	2	3
41	Belgium	0	1	1	2
41	Czech Republic	0	1	1	2
43	Bulgaria	0	1	0	1
43	Colombia	0	1	0	1
43	Denmark	0	1	0	1
43	India	0	1	0	1
43	Jordan	0	1	0	1
43	N Macedonia	0	1	0	1
43	Poland	0	1	0	1
43	Turkmenistan	0	1	0	1
43	Venezuela	0	1	0	1

রিয়াল মাদ্রিদকী রফেল ভরানে মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরগনি

লন্দন, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী সেন্টর বেককী থৌদাং লৌরিবা ফ্রান্স মচা রফেল ভরানে ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরগনি হায়না ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা, রিয়াল মাদ্রিদকী শান্নরোয় ফ্রান্স মচা রফেল ভরানেগা ক্লব অসিগা য়ানবা অমা পুরক্তুনা অহানবগী ওইনা যু এস দোল্লর মিলিয়ন ৪৬.৯৭তা য়ানচে অমা খূৎয়েক পীনরবা মতুং মখা তাবা শেনফমশিং অমুক পীগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ানবা অদুগী মখা তানা রফেল ভরানেনা চয়োল অসিগী লোইশিল্লকপদা ইংলেন্দ য়ৌরক্লগনি। মহাক মফম অদুদা কোভিদ-১৯গী ওইবা এস ও পিগী মতুংইন্না ক্বারন্টিন তৌবা লোইরবা মতুং মেদিকেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু লৌখৎলগা কুমজা ২০২৫ ফাওবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্ননবগীদমক্তা খূৎয়েক পীনগদৌরিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা ফ্রান্স মচা অসিনা রিয়াল মাদ্রিদকী ওইনা মেটচ ৩৫০ শান্নবা ঙমখ্রে। মদুদা লালিগা টাইটল ৩ অমদি চেম্পিয়ন্স লীগ ট্রোফি ৪ লৌবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। মহাক কুমজা ২০১১দগী রিয়াল মাদ্রিদতা শরুক য়ারকখিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিককা কজাখষ্টানগী এলিনা রাইবাকিনাগা সেমীফাইনেল শান্নগনি

টোকিও, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

স্বিটজরলেন্দগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় বেলিন্দা বেন্সিকনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা কজাখষ্টানগী এলিনা রাইবাকিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

ওলিম্পিক গেমস অসিদা ৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট বেন্সিকনা য়াম্না হেন্দুনা পাব্লুচেনকোভাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা ৬-০দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেটতা পাব্লুচেনকোভাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলক্তুনা বেলিন্দাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইখি। অদুগা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মখা তাবা লম্বা তৌনরকপদা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দানা পাব্লুচেনকোভাগী সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

বেন্সিকনা সেমীফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবী কজাখষ্টানগী শান্নরোয় এলিনা রাইবাকিনানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওলিম্পিক গেমস অসিগী ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু সেট ২-০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা থেংনরম্লবা মতুং ৭-৫দা রাইবাকিনানা থোইখি। অনীশুবা সেটতদি মুগুরুজাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা রাইবাকিনানা ৬-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং চেক রিপব্লিককী মার্কেটা বোন্দ্রোসোভাগা লম্বা তৌনরগনি। স্বিটোলিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী শান্নরোয় কামিলা জিওর্জিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেট স্বিটোলিনানা জিওর্জিগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুসু চপ মান্নবা স্কোরদা ৬-৪দা থোইখিবনি।

স্বিটোলিনানা লম্বা তৌগদৌরিবী বোন্দ্রোসোভানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী পোলা বাদোসাগা শান্নরকপদা অহানবা সেট ৬-৩দা থোইরগা অনীশুবা সেটতা বাদোসা রিটায়র্দ তৌবদগী সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

সব-জুনিয়র বোইজ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস):

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা অসামনা য়ূম্বু ওইরগা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা সব-জুনিয়র বোইজ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনন্না মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মায়কৈদগী কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা অহানবা সব-জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখ্রবা শান্নরোয় ৫/৫ খনগৎলগা ওগষ্ট ১০দগীনা ১৮ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি। তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অসিগী মায়কৈদগী মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদু ওগষ্ট ২ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী টিম শেম্নবা খঙহল্লক্কদবনি হায়রি।

অম্ফাগী মায়কৈদগী থোক্লকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা ওগষ্ট ১৪দগীনা ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওনলাইন ফিফা/এম এ রেফরিজ কোর্সতা শরুক য়ানবগীদমক্তা মণিপুরগী এল প্রিয়োবর্তা, এন ইবুংঙো মীতৈ অমসুং টি রঞ্জিতা খল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রেফরি অহুম অসিনা জুলাই ৩০ ফাওবগী মনুংদা জূম এপ্লিকেসনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন রেফরিজ কোর্স অসি য়াওবা ঙমগনি হায়বগী ৱারোল থাগৎলক্কদবনি হায়রি। ওনলাইন রেফরি কোর্স অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা রেফরিশিংনা মশা-মশাগী ওইবা দেস্কটোপ কম্প্যুটর/লেপটোপ/টেব্লেট নৎত্রগা কেমেরা য়াওবা মোবাইল শীজিন্নগদবনি। লোয়ননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী বেসিক ওপরেসনশিং অদুসু খঙবা ওইগদবনি হায়রি। হায়রিবা জূম এপ্লিকেসন অসিগী রেকোর্দিং তৌবা য়ারোই হায়নসু অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মিরাবাইবু পূন্সিগী ওইনা মুভি লেম্না য়েংহল্লগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পুৱারী শেমদুনা ৱেথলিফটিংদা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেলগী মনা ওইনা লুপা ক্রোর কয়া পীরকখ্রবা মতুং মল্টিপ্লেক্স চেন অমা ওইরিবা ইনোক্স লেজর লিমিটেদনা শান্নরোয় অসিবু ইকাই খুম্নবা ওইনা মহাক্কী মখা তারিবা পূন্সিদা লেম্না মুভি টিকেট পীরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইনোক্স লেজর লিমিটেদনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মল্টিপ্লেক্স (মুভি কয়া উৎলিবা মফম) ৬৪৮ চল্লাইরিবনি। হায়রিবা লিমিটেদ অসিনা মিরাবাইনা য়েংনিংবা মতমদা শেল তিংদনা মুভি য়েংবা য়ারগনি। অতোপ্পা ওলিম্পিয়নশিংগী ওইনসু চহী ১ লেম্না য়েংহনগদৌরি হায়না মখা তারক্লি।

স্রি লঙ্কানা ইন্দিয়াবু অনীশুবা টি-২০ মেটচ ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে

কলম্বো, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ক্রিকেট টিমনা স্রি লঙ্কাদা শান্নবা সেরিজগী মনুং চন্না ঙসি টি-২০গী অনীশুবা মেটচ লম্বা তৌনবদা য়ূম্বু স্রি লঙ্কানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস স্রি লঙ্কানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সিখর ধৱননা ওপনর ওইনা শরুক য়াদুনা বোল ৪২দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪০ লৌরম্বা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন দেবদট পদিকলনা বোল ২৩দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম্ য়ৈরগা রন ২৯ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ওপনর রুতু রাজ গেক্বাদনা বোল ১৮দা রন ২১ লৌরম্বা অদুসু শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী বোলর ধনঞ্জায়ানা ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনী আউট তাহনখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। অতোপ্পা বোলর সামিরা, হাসারঙ্গা অমসুং সানাকাসু ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা স্রি লঙ্কানা রন ১৩৩গী টার্গেট অদু বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৪দা থোইখি। স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন ধনঞ্জায়া দি সিলভানা বোল ৩৪দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম্ য়ৈরগা রন ৪০ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর মিনোদ ভানুকানা বোল ৩১দা রন ৩৬ লৌখিবা অদুসু মেটচ অদু মায় পাক্লনবগী অচৌবা থৌদাং ওইখি।

হয়েং অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী গুজরাথি অমসুং পোলেন্দগী দুদা অহানবা গেম দ্রো চৎখ্রে

সোচি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি সোচিদা চথরিবা চেছ ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথিনা ঙসি শান্নবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা গেম অদু পোলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর জান কৃষ্টোপ দুদাগা দ্রো চৎখ্রে।

ঈ এল ও রেটিং ২৭২৬তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথিনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা গেম অদু অঙৌবা মচু পায়রগা লম্বা তৌরকপদা ঈ এল ও রেটিং ২৭৩৮ ফংলিবা পোলেন্দগী জান কৃষ্টোপ দুদাগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা গেম অদু মুভ ৩৩দা মায় পাকপা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

ক্বার্টর ফাইনেল অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ঈ এল ও রেটিং ২৮৪৭ ফংদুনা খ্বাইদগী ৱাংলিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা মহাক্কী অহানবা গেমদা ঈ এল ও রেটিং ২৬৭৮ ফংলিবা ফ্রান্সকী ইটিন বাকোর্টকা শান্নবা অহানবা গেম অদু মায় পাক্তুনা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

মমিং লৈরবা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ঈ এল ও রেটিং ২৭৫৭তা লৈরিবা গ্রান্দমাষ্টর সর্গৈ কর্জাকিন মঙোন্দগী ঈ এল ও রেটিং ২৭০৯ ফংদুনা হন্থরিবা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর সাম্যুএল সঙ্কলেনগা লম্বা তৌনবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা গেম অদু য়ু এস এগী শান্নরোয় অদুনা থোইরগা মাঙজিল থাখি।

লোয়ননা ইরানগী গ্রান্দমাষ্টর ঈ এল ও রেটিং ২৬১৩ ফংলিবা আমিন টবাটেবিনা ঈ এল ও রেটিং ২৬৯৬ ফংলিবা রসিয়াগী ভ্লাদিমির ফিদোসিবকা ঙসি শান্নখিবা চেছ ৱর্ল্ড কপ অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায় পাকপা ঙম্নদবদগী পোইন্ট য়েন্নদুনা মখা তানা লম্বা চথননবা শেম শাখি।

অহানবা নুপীগী মিটর ১৫০০ ফ্রীষ্টাইল স্বিম্মিংদা য়ু এসকী কেথলিন লিদেকিনা গোল্ড ফংখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী স্বিম্মিংদা অহানবা ইভেন্ট অমা ওইনা হাপচিনখিবা মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসনদা য়ু এস এগী স্বিমর কেথলিন লিদেকিনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা ওলিম্পিক গেমস কয়াদা য়াওখিদবা ইভেন্ট অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নৌনা হাপচিল্লকপনি। ঙসি অয়ূক অঙনবদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা কেথলিন লিদেকিনা মিনট ১৫:৩৭.৩৪দা ইরোয়দুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা য়ু এস এগী স্বিমর এরিকা সুলিভননা মিনট ১৫:৪১.৪১দা ইরোয়দুনা সিলভর মেদল অদু ফংবা ঙমখি। অদুগা জর্মনিগী স্বিমর সারা কোলরনা মিনট ১৫:৪২.৯১দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অদু লোইরবা মতুং গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী কেথলিন লিদেকিনা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক পুৱারীদা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা নুপীগী মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসন অদুদা মহাক্কী টিমমেট এরিকাগা লম্বা তৌনদুনা মকোক-মথং তাখিবা অদুদা য়াম্না হরাউবা ফাওই হায়খি। কেথলিন লিদেকিমশামকনুপীগী মিটর২০০গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবা অদুদা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। ইভেন্ট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্বিমর অরিয়ারনে টিটমসনা মিনট ১:৫৩.৫০দা ইরোয়দুনা অনৌবা ওলিম্পিক গেমস রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুবু মিটর ১৫০০গী লম্বা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা অমদি থৌনা লৈখিবনা মরম ওইরগা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, নুপীগী মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসন অসি ওলিম্পিক গেমসতা য়াওদ্রবসু কুমজা ২০০১দা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতগী হৌখ্রবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দসু থম্বা ঙম্লিবী কেথলিন লিদেকিনা কুমজা ২০১৩, কুমজা ২০১৫ অমসুং কুমজা ২০১৭তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা মহাক মশা শোকপদগী কুমজা ২০১৯ ৱর্ল্ড স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতদি শরুক য়াবা ঙমখিদে।

ক্রিকেটর য়ুবরাজগী ফাউন্দেসননা তেলঙ্গনা হোস্পিটালদা সী সী য়ু ফমুং ১২০ শেমখ্রে

হায়দরবাদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

মমাংদা ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর ওইনা মমিং লৈরবা অমদি ৱর্ল্ড কপ অনী ইন্দিয়ানা লৌবা মতমদসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ক্রিকেটর য়ুবরাজ সিংহগী ‘য়ু ৱি কেন’ ফাউন্দেসননা ঙসি তেলঙ্গনাগী সিটি নিজামাবাদতা লৈবা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ এন্দ জেনরেল হোস্পিটালদা সী সী য়ু (ক্রিটিকেল ক্যের য়ুনিট) ফমুং ১২০ শেমখ্রে।

ফাউন্দেসন অসিনা ফাইনান্সিয়ল সপোর্ট অদু ইসেন্সিএল কম্পেনিদগী ফংখিবনি। তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা য়ু ৱি কেন ফাউন্দেসননা থবক লৌখৎলক্তুনা অনা-লায়েংগী হীরমদা চাওনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। ফাউন্দেসন অসিনসু নিজামাবাদগী হোস্পিটাল অদুদা আই সী য়ু ভেন্টিলেটরশিং, ভি আই পি এ পি মেছিন, পেসেন্ট মোনিটরশিং, ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদি ক্রাশ কার্টনচিংবা খূৎলায়শিংসু পীদুনা মতেং পাংলি। ফাউন্দেসন অসি হৌদোকখিবা য়ুবরাজ সিংহনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবা থবক অসি লৌখৎলকপনি হায়খি।

শাবগী চাং হেনগৎপনা ওলিম্পিক্সতা টেন্নিসকী মতম হোংদোকখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):

জপানন্না য়ূম্বু ওইরগা টোকিও সিটিদা চথরিবা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমসকী ইভেন্ট অমা ওইরিবা টেন্নিস দিসিপ্লিনগী হান্না শেমখিবা মতম অদু শান্নফম অদুদা শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা হোংদোকখ্রে।

টোকিওদা লৈবা অরিয়াকে টেন্নিস পার্কতা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মফম অদুদা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী মতম হোংদোকপীনবা হায়রকপা অদু ইন্টরনেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগা পুন্না ৱারী শানরবা মতুং নুংথিল পুং ৩দা থেংথনা শান্নবগী ৱাফম অদু লাউথোকখিবনি হায়না আই টি এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লাউথোরকখিবা অদু ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা নুপাগী শান্নরোয় রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী দানিল মেদভেদেভনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নখিবা অদু লোইরবা মতুং লৌরকখিবা ৱারেপনি। মেদভেদেভকী মায়কৈদগী মেটচ অদুবু কন্দক্ট তৌখিবা চ্যের অম্পায়রদা ফোঙদোকখিবদা মেটচ অদু লোইশিনবদি ঙমগনি। অদুবু শাবনা মরম ওইদুনা মহাক শিবা য়াই। মদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি অদু অম্পায়র অদুনা লৌগদবনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 184

GM Sjugirov,S (2662) - IM Garriga Cazorla,Pere (2484)
Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2019.11.06

1.d4Nf6 2.Nf3e6 3.Bg5h6 4.Bh4d6 5.c3g5
6.Bg3Nh5 7.e4Nd7 8.Bd3Bg7 9.Nbd2Qe7 10.Nc4Nxg3
11.hxg3O-O 12.Qe2c5 13.e5cxd4 14.exd6Qd8 15.cxd4b5
16.Nce5Nf6 17.Be4Rb8 18.Nc6Qxd6 19.Nxb8Qxb8 20.O-ONxe4
21.Qxe4Bb7 22.Qe3Bd5 23.Rfc1Rd8 24.Ne5Qb7 25.f3f6
26.Nd3a5 27.b3h5 28.Re1Qf7 29.Rac1g4 30.Kf2gxf3
31.gxf3e5 32.dxe5fxe5 33.Kg1Qf5 34.Nxe5Re8 35.Qf4Qh3
36.Ng6...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 183 Ans. :

28. Bxg6 The white bishop deflects Black's pawn away from protecting the pawn.fxg6 29. Qxe6+ Qf7 30. Rxg6+ Bg7 31.Rxg7+The white rook decoys Black's king.Kxg7 32. Qh6+ Kg8 33. Qh8#Backrank mate

28. Rhg1 Ba3 29.Rxg6 fxg6 30.Qxe6+ Rf7 31.Rxg6 Kf8 32.Rxg7 Kxg7 33.Qg6+ Kf8 34.Qh6+ Ke7 35.Qg5+ Rf6 36.Qg7+ Rf7 37.Qe5+ Kf8 38.f4 Bc5 39.f5 Bd4 40.Qh2 Rfd7 41.Qh6+ Bg7 42.Qg5 Rd6 43.Kc2 Rc8+ 44.Kd1 Rc7 45.Qh5 Rcd7 46.Ke2 b5 47.Qh2 a5 48.Qg1 b4 49.Qc5 Ke7 50.Qxa5 Bc3 51.Qc5 Bd4 52.Qc7 Bc3 53.Qc8 Bf6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com